

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হান্না সেট অনী মাংজিল থাররল্লবসু এন্দ্রিজ সেপ্পীগী মখুত্তা মায়থিহৌরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নম্বর রান প্লেয়র নিক ক্রাইগোইস



নুপীগী দবলসকী হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান প্লেয়র ওইরম্বী সনিয়া মির্জা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে

## খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেবেল কম্পীটিসনদা শরুক য়ারুনবা ফুটবোল, তাইক্কান্দো, জুদো অমদি আর্চরিগী টিম খনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১৮ ঃ*

খেল্লো ইন্দিয়া স্কিমগী মীৎয়েং মখাদা চৎলিবা চহী অসিগী জানুৱারী ৩১দগী ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবা টামিল নাদুগী চেন্নাইদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেবেল কম্পীটিসনদা শরুক য়ারুনবা ডিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টনা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ফুটবোল টিম অমসুং তাইক্কান্দো টিম লাউথোকখ্রে।

খনগৎখ্রবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী শান্নরোয়শিংদি এল দিনেস, টি এলিসন মৈতৈ, এমদি রোহিত অলি, আই অলফর্ট, কে কেনন, এল অথৌবা, সিঐচ ধন্নবির, ৱাই সুরজ, থাংলেনসৈ, আই রোহিত, জুৱেল হাওকিপ, থাংজালিন, এল ষ্টেলিন, এ অফাওবা, আরকে খৃষ্টোফর অমদি এমদি কেফনি।

চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী শান্নরোয়শিংদি কে থোইবী, ডব্লিয়ু উশারানি, টিঐচ রোসনি, প্রিয়াঙ্কা, টিঐচ মার্টিনা, এল বিজয়া, গ্রেসি এম, এম সনা চনু, এন জিনা, সুরবলা, এম প্রোমিলা, ডব্লিয়ু অঞ্জলি, ভুংলামচিং, টিঐচ সন্ধ্যারানি, এস রোজি অমদি ৱাই জেনিতানি।

চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদি সিদার্থ রনা, এম সুরজকান্তা মৈতৈ, এন নোংপোকঙানবা, থাংচুআন লান, এস সোমোকান্তা মৈতৈ, হাবিপ, লনচেনবা, এন লৈশেম্বা, এন মালেমখোম্বা, ঐচ ইঃদরাজ, পিঐচ দোলেন্দ্রো, কেঐচ প্রবিন, ঐচ সনাজাওবা, টিঐচ অবোই, প্রিয়াসন, টি মহেসননি। চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী ফুটবোল্লরশিংদি এসঐচ মোনিকা, ডব্লিয়ু কাঞ্চন, এস দাইনা, পিঐচ নিরমলা, এ নিলম, ও লমঙানবী, পিঐচ অঞ্জলি, ৱাই থাইলেন্দ, টিঐচ বেবিসনা, ঐচ বলেশোরি, ৱাই কিরনবলা, ৱাই লক্সমি, এন বোরকৈন্য, লবলি গোলা, ঐচ পুস্পা অমদি প্রোমিলানি। ফুটবোলগী কোচ ওইনা এ ভানু দেবী, আরকে লন্ধোনি দেবী, এ গীরহিনি দেবী, কেঐচ রতন খনখ্রে। তাইক্কাঃদোগী খনগৎখ্রবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী শান্নরোয়শিংদি কেজি ১৮ গী কাঙলুপ্তা দিপ আরকে, কেজি ২১ গী কাঙলুপ্তা এল সুরচন্দ্রা সিংহ, কেজি ২৩ গী কাঙলুপ্তা আরকে লিওকান্তা সিংহ, কেজি ২৫ গী কাঙলুপ্তা কেঐচ সনাতোম্বা সিংহ, কেজি ২৭ কি কাঙলুপ্তা এ পৃথিরাজ সিংহনি।

চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিংদি কেজি ১৮ গী কাঙলুপ্তা টিঐচ ভৈগ্যশ্রি, কেজি ২০ গী কাঙলুপ্তা টিঐচ তরুণ দেবী, কেজি ২২ গী কাঙলুপ্তা এল ইলিভিয়া দেবী, কেজি ২৪ গী কাঙলুপ্তা এন সানিয়া দেবীনি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিংদি কেজি ৩৫ গী কাঙলুপ্তা টিঐচ জোন, কেজি ৩৮ গী কাঙলুপ্তা এল জিলাঙম্বা, কেজি ৪১ গী কাঙলুপ্তা জেকিসন ৱাই, কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা এস রোহিত, কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা এন রোসননি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিংদি কেজি ৩২ গী কাঙলুপ্তা এনজি অশাকিরন দেবী, কেজি ৩৫ গী কাঙলুপ্তা এম প্রিয়াদর্সিনি, কেজি ৩৮ গী কাঙলুপ্তা আই বিজয়া দেবী, কেজি ৪১ গী কাঙলুপ্তা টিঐচ লকি দেবী, কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা এস নেন্সি দেবীনি। টিম অসিগী কোচ ওইনা কে রঞ্জিৎ সিংহ অমসুং এস জোনি সিংহ খনখ্রে।

খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি লোয়ননা টিম অসি চেন্নাইগীদমক থা অসিগী ১৫ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়রি।

অমরোমদা খেল্লো ইন্দিয়াগী মখাদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৬ তগী ১৯ ফাওবা রজাস্তানগী জয়পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেবেল কম্পীটিসনদা শরুক য়ারুনবা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী জুদো টিম অমদি আর্চরি টিম য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস ডিপার্টমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী খনগৎখ্রবা জুদোকানশিংদি কেজি ২৫ গী কাঙলুপ্তা ৱাই য়োইহেনবা, কেজি ৩০ গী কাঙলুপ্তা ঐচ রিসিকান্তা, কেজি ৩৫ গী কাঙলুপ্তা এম ৱাংথোই মৈতৈ, কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা এল বাবুমচা মৈতৈ, কেজি ৪৫ গী কাঙলুপ্তা ৱাই উমাকান্তা সিংহনি।

চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী খনগৎখ্রবা জুদোকানশিংদি কেজি ২৩ গী কাঙলুপ্তা জেনি চনম্বম, কেজি ২৭ কি কাঙলুপ্তা এন মতৌ চনু, কেজি ৩২ গী কাঙলুপ্তা ঐচ ওলিবিয়া দেবী, কেজি ৩৬কি কাঙলুপ্তা এন রোসিবিনা চনু, কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা এম রোসিবিনা দেবীনি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী খনগৎখ্রবা জুদোকানশিংদি কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা এল জেমস, কেজি ৪৫ গী কাঙলুপ্তা এম জেমসন, কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা ঐচ কিশোরজিৎ, কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা এনকে সোমোরজিৎ, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা এ রোনাল্ডোনি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী খনগৎখ্রবা জুদোকানশিংদি কেজি ৩৬কি কাঙলুপ্তা এল নুংশিথোই চনু, কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা এ নিসিতা, কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা টিঐচ তবাবী, কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা কেঐচ অরুনা অমদি কেজি ৫২ গী কাঙলুপ্তা ঐচ মতৌলৈবীনি। টিম অসিগী কোচ ওইনা দেবেন মোইরাংথেম অমদি নুপীগী কোচ ওইনা ডব্লিয়ু কমিলিনি দেবীনি। আর্চরিগী খনগৎখ্রবা আর্চরশিংদি চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপ্তা ই রোবিন্সন মৈতৈ অমদি কে বোরিস সিংহনি।

চহী ১৪ মখাগী নুপীমচাগী আর্চরশিংদি এস করিনা চনু অমদি এস চীংলেম্বী চনুনি। চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী আর্চরশিংদি ও রোসন অমদি এম বিকাস সিংহনি।

চহী ১৭ মখাগী নুপীমচাগী খনগৎখ্রবা আর্চরশিংদি ডব্লিয়ু মালেশোরি দেবী অমদি এম তোমথিনঙানবীনি।

টিম অসিগী কোচ ওইনা এম জামিনি দেবী অমদি এম সঞ্জিতা দেবীনি। খনগৎখ্রবা শান্নরোয়শিংনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং ফেব্রুৱারি ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিনগদবনি লোয়ননা টিম অসি জয়পুরগীদমক ফেব্রুৱারি ১১ দা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়রি।

## অহানবা খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফি টুর্নামেন্ট ২০১৭ কাংলৈশা অমসুং লেনিনা ১১ মায় পাকপা ঙমখ্রে



*ইম্ফাল, জনুৱারী ১৮ ঃ*

ক্যামগৈ য়ুঠ পায়োনিয়র ক্লবনা শিন্দুনা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ লম্পাক্তঃ অহানবা খাগেম্বা টি-২০ ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭ গী ঙসি শান্নখিবা অয়ুক্কী মেটচতা কাংলৈশা ক্যামগৈনা আই এস এ থাংমৈবন্দবু রন ৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা নুংথিলগী মেটচতনা লেনিনা ১১ নম্বোলনা এস এল লিলোং বজারবু রন ১৪ দা থোইখ্রে।

অয়ুক্কী মেটচ অদুদা কাংলৈশা তোচ ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। টিম অদুনা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৭৫ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মাইকৈদগী সহাজন্না বোল ১৭ তা রন ৩৩ লৌবা ঙমখি। মেটচ অদুগী রন ৭০ লাম্ময়োক্তুনা ৭১ লৌগা মায় পাক্লবা আই এস এ থাংমৈবন্দনা পাউখুম পীরকপদা টিম অদুগী বেটচমেন ১০মক ওভর ১৫ লোইশিনখিবদা শুপ্নগী রন ৬৭ লৌখিবদগী টিম অদু রন ৩ দা মায়থিখিবনি।

নুংথিলগী মেটচতা লেনিনা ১১ না তোচ ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌবদা ওভর ১৫ দা রন ১০৬ লৌখি। টিম অদুগী ওইনা অজিৎনা বোল ২৫ দা রন ৪৬ লৌদুনা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি। রন ১০৭ লৌদুনা মায় পাক্লবা হোৎনরকখিবা এস এল লিলোং বজার ওভর ১৫ শান্নবা অদুদা শুপ্নবগী রন ৯৫ খক লৌখিবদগী মেটচ অদুনা লেনিনা ১১ নম্বোলনা রন ১৪ দা মখোয়বু মায়থিবা পীরন্নবনি।

## ওল মণিপুর চৈবী চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জানুৱারী ১৮ ঃ*

ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসন্না শীন্দুনা ৬শুবা মংসাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং অরাম্বম পুইনবতি অমদি ৩১শুবা স্তেত লেভেল চৈবী চেম্পিয়ন্সিপ জনুৱারী ২৬ তগী ৩১ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তঃ লৈবা ফেসিন্সং হোলদা পাঙথোক্লগনি।শেলগী মনা ওইরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মিনি, সব-জুনিয়র, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র হায়রিবা কেতাগোরি মরি অসিদা অথোই অহেন তানগদৌরি। শরুক য়ানিংবা লূপ, স্কুল, ক্লব, এসোসিএসনশিংনা ওল মণিপুর চৈবী এসোসিএসনদগী অকূপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়না এসোসিএসনগী চেরোল অমনা হায়রি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অখন্নবা মনাশিং ওইনা বেস্ত দিসিপ্লিন প্লেয়র, বেস্ত দিসিপ্লিন তিম অমসুং বেস্ত জুরিগী মনাশিং পীগদৌরি।

## নেসনেল স্পোর্টস একাডমি খুমন লম্পাক্কী ২০১৭-১৮ বেজকি শান্নরোইশিং লৌনবগীদমক সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, জানুৱারী ১৮ ঃ*

নেসনেল স্পোর্টস একাডমি খুমন লম্পাক্কী ২০১৭-১৮ বেজকি ছাত্র লৌনবগীদমক সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লেম্না লৈফম চাফম পীবগী মথক্তঃ লাইরিক লাইশু তমহনবগা লোয়ননা শান্নবগী মচাক মথুম অমদি য়ুনিফোর্ম পীগদবা নেসনেল স্পোর্টস একাডমিদা লৈনিংবশিংনা চৎলিবা চহী ২০১৭ কি এপ্রিল অমা ফাওবদা মশাগী চহী ১০ নৎত্রগা ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ক্লাস ফাইভ পাস তৌবা ওইগদবনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা মশান্না তরুক আর্চরি, বোক্সিং,জুদো, তাইক্কান্দো, রেষ্টলিং অমদি ৱেটলিফটিংদা নুপামচা অমদি নুপীমচা ৬। ৬ একাডমি অসিদা হন্দক সেসনগী লৈননবা ষ্টেট অসিদগী লৌগদৌরি।

খনবগী মওংনা এস ভেরিফিকেসন, মেডিকেল ফিটনেস টেষ্ট, মোটোর এবিলিটি টেষ্ট, গেমগী অকক্ল বা টেষ্ট অমদি রিটন টেষ্ট পাঙথোক্কনি।

এপ্লাই তৌনিংবশিংনা অকুপ্পা মরোল অমদি মরী লৈনবা চে-চাং

পুম্মমক খুমন লম্পাক্তঃ লৈবা ডাইরেক্টোরেট ওফ য়ুঠ এফিয়ার্স স্পোর্টস নৎত্রগা নেসনেল স্পোর্টস একাডমিগী এডমিনিষ্ট্রেটিব ওফিস্তগী জানুৱারী ২৪ দগী ফেব্রুৱারি ১০ ফাওবগী মনুংদা নমথোক্লবা ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

## রোনালদিনহো ফুটাবোল মশান্নদা অমুক হল্লক্লবা য়ারি

রিও দি জেনৈরো, জানুৱারী ১৮ঃ

অনীরক ফিফা ৱার্ল্ড প্লেয়র ওফ দ ইয়ার তাখ্রবা রোনালদিনহো সাউথ অমেরিকান ক্লব অমদা য়াওদুনা ফুতবোল শান্নবা অমুক হল্লক্লবা পান্দম থল্লি হায়না রিপোর্ত তৌখ্রে।

মহাক্কী ময়াম্বা অমসুং এজেন্ত রোবরতো অসিসগী মতুং ইন্না, ২০০২ ৱার্ল্ড কপ ৱিন্নর অসিগী মপুং ওইনা পামজবদি কন্তিনেন্ত অসিগী তোপ ক্লব কম্পিতিসন ওইরিবা কোপা লিবরতাদোরেসকী ক্কালিফাই ওইখ্রবা ক্লব অমদা শান্নবা য়াওবদুনি হায়রি।



চহী ৩৬ ফারবা বর্সেলোনা লেজেন্দ অসিগা মরী লৈনরিবা তিমশিংগী মরক্তা য়াওরিবশিংদি ব্রাজিলগী চেপিকোনসে অমসুং কোরিতিবা লোয়ননা উরুগেয়ান আউতফিত নেসিওনেলনি।

‘ঐখোয়গী পান্দমদি মহাক্কীদমক ২০১৭ দা শান্নবা য়াওবদুনি। মদুগী ৱাখল্লোনদু চহী অমা পোত্থারুরবা অমদি মদুগী মতমদুদা ঐখোয়না মালেমদা কোয়না চৎপগী খুদোংচাবা ফংখিবা অমসুং ঐখোয়না মমাঙদা অমুক্তা চৎলুখিদ্রিবা লৈবাকশিংগী মরমদা খঙবা ঙমখ্রবা মতুং-দগীনি’ হায়না অসিসনা উরুগেয়ন পাউচে এল পাইসতা ফোঙদোকখি।

নেসিওনেলদা ত্রান্সফর তৌবগী ওইথোকপা লৈব্রা হায়না হংবদা অসিসনা ‘ঐহাক মরক চেনবশিংগা ৱারীদি শানরে অদুবু মখা তাবা পাউদি অমত্তা লৈতে’ হায়না ফোঙদোকখি।

‘২০১৭ চহীগী থৌরাংদি অমুক হন্না শান্নবা অমসুং মতৌ করন্না পোৎশকশিং থোরকই হায়বদু য়েংবনি। ঐখোয় কোপা লিবরতাদোরেসতা য়াওবা ক্লব অমগী মতাংদা ৱাখল খল্লি’ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রোনালডিনহো হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা থাদা ব্রাজিলগী ক্লব ফ্লুমিনেন্সি থাদোকখিবদগী তিম অমত্তদা য়াওদনা লৈরক্লিবনি।

মমাঙগী চহীদা মহাক পেরু, ইক্কেদর, গ্বোতেমালা, য়ু এস অমসুং চাইনাদা অমুক্তং শান্নবা ফ্রেন্দলিদা য়াওখি লোয়ননা ইনিদয়াদা পাঙথোকপা ফুতসাল তুর্নামেন্ত অমদসু শরুক য়াখি।

## নেসনেল লেবেল কম্পিটিসনদা মনিপুরগী টি অঞ্জলিনা সাইক্লিংদা গোল্ড, রোজিৎনা সিলভর লৌখ্রে

ন্যু দিল্লি জানুৱারী ১৮ ঃ

স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিজে গোইলনা খেল্লো ইন্দিয়া নেসনেল লেবেল কম্পিটিসন হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী ন্যু দিল্লিদা হৌদোকখ্রে অমদি দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা স্বিমিং, সাইক্লিং অমসুং রেষ্টলিংগী কম্পিটিসন অসি মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী মিৎয়েং মখাদা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা (এসএআই) শীনবনি।

ইন্দিরা গান্ধি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা সাইক্লিং মশান্নগী কিলোমিটর ৯.৬কী কম্পিটিসনদা চহি ১৪ মখাগী নুপীমচা কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী মনিপুরগী টি অঞ্জলিনা মহাক্কী পন্থুংফম অদু মিনিট ১৭কা সেকেন্দ ৯দা য়ৌদুনা মকোক থোংবা মফম কনখি অদুগা দিল্লিগী খুশি ৱালিয়া অমসুং অসামগী প্রিয়াঙ্কি দোরাহনা মথং শিৎনা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা তাখি।

মশান্না অসিগী কিলোমিটর ২১.৬ শাংবা কম্পিটিসনদনা চহি ১৭ মখাগী নুপামচা কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী ৱাই রোজিৎনা অন্দমান অমসুং নিকোবরগী ইসোগী মখা থাদুনা অনিশুবা মফম কনখিবদগী সিলভর মেদল ফংখি।

পনবা য়াবদি, জনুৱারি অমসুং ফেব্রুৱারি থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেল্লো ইন্দিয়া নেসনেল থাক্কী কম্পিটিসন অসিদা কবাদ্দি, খা-খো অমসুং ৱুশু মশান্ননা নেল্লোরদা, ৱেটলিফটিং, বোক্সিং অমসুং টেবল টেনিসনা গুৱাহাটিদা, এঠলেটিক্স, হেন্দ বোল অমসুং হোক্কিনা গান্ধি নগরদা, টাইক্কান্দো, ভোল্লিবোল অমসুং ফুটবোলনা চেন্নাইদা, বেদমিন্টন, জিম্নাষ্টিক্স, বাস্কেটবোল অমসুং লোন টেনিসনা হায়দ্রবাদতা

অদুগা আর্চরি অমসুং জুদোনা জাইপুরদা শান্নগদৌরিবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 18/SDC/B of 2017

Okram Nilamani Meitei s/o (L) O. Nodiya Meitei of Okram Chuthek

Petitioner

-Vs-

1. Okram Nodiya Meitei s/o (L) Ok. Lalla Meitei of Okram Chuthek
2. Sanasam (O) Sulochana Devi w/o S. Babu Singh of Kakwa Lilando Lampak

O.P.

**NOTICE**

Bashikhong, the 18th Jan, 2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Bashikhong Circle গী Village No. 53-Wangkhei Loumanbi গী Patta No. 134 (অরিবা) 109 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 149 an area 1.74000 acre of Phourel class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 Okram Nodiya Meitei অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 গী মচাশিংগী মিংদা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, / Bashikhong Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/1778(c)/19

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East, Manipur

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Bashikhong, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 17/SDC/B of 2017

Smt. Thokchom Ningol Sobita Devi d/o (L) Th. Jhadhop Singh of Kakwa Laishram Selungba Leikai

Petitioner

-Vs-

(Late) Thokchom Jhadhop singh s/o (L) Th. Bidhu Singh of Bashikhong Bazar

O.P.

**NOTICE**

Bashikhong, the 18th Jan, 2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Bashikhong Circle গী Village No. 55-Loumanbi গী Patta No. 132 (অরিবা) 94 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 254 an area 0.65000 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar Thokchom Jhadhop Singh অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী নুপীগী মিংদা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, / Bashikhong Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/1778(d)/19

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Bashikhong, Imphal East, Manipur

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 16/KBT/P of 2017

Kshetrimayum Marjit Singh s/o (L) Ksh. Ibotomba Singh of Uchekon Khunou

Petitioner

-Vs-

Kshetrimayum Ibotomba Singh s/o Ksh. Heiton Singh of Uchekon Khunou

O.P.

**NOTICE**

Keirao Bitra, the 18th Jan, 2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Keirao-Bitra Circle গী Village No. 36-Takhok Awang গী Patta No. 207 (অরিবা) 1.63 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 156 an area .86 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Keirao Bitra অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/1778(b)/19

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Keirao Bitra, Imphal East, Manipur

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 41/SDC/P of 2017

Konthoujam Gojendra s/o (L) K. Ibopishak Singh of Khurai Ahongei

Petitioner

-Vs-

Thingbaijam (N) Konthoujam (O) Shyama Devi w/o K. Kirani Singh of Khurai Ahongei

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 13th Jan, 2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38-Top Dusara গী Patta No. 320 (অরিবা) 213/837 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 1084 an area 0.69 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

SL/1778(a)/19

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East, Manipur